ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯰꯷, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ০৭, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২২৩ শুবা মশীং

লৈঙাক্কী তঙাইফদবা মীৎয়েং

দ্রগতা লায়চুরবশিংগী মতিক চাবা থৌশিল শেম্ফম থোকই

সেরো সর্ভিলেন্স প্রোগ্রাম অমগী মতুং ইন্না মণিপুরদা হ্যুমেন ইম্ম্যুনোদিফিসিয়ন্সি ভাইরস (ঐচ আই ভি) কী কেস কা হেন্না ৱাংলে হায়বা খঙলে। মরুওইনা শীংলীদা দ্রগ কাপ্পা মীওইশিংদা লায়না অসি শন্দোরকপা থেংনখি। মমাঙগী সর্ভিলেন্স রিপোর্ট অমদনা নুপা-নুপী হকচাংগী ওইবা মরী থম্নবদগী লায়না অসি মরুওইনা শন্দোরকপনি হায়বা খঙলকখি। কুমজা ১৯৮৯ দা ঐচ আই ভিগী কেস ৫ ষ্টেট অসিদা ইহান হান্না থেংনখি। ওল্লকপা চহী কুমজা ১৯৯১ গী মে থাদদি লায়না অসিনা নাবা মীশীং ১২৬৩ য়ৌরকখি। হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীওই চাদা ৯৩.৯ দি শিংলীদা দ্রগ কাপ্পা মীওইশিংনি। মতমদুদা ইন্দিয়া অপুনবগী ওইনা ঐচ আই ভিগী কেস ৫১৩১ রিপোর্ট তৌরকখিবগী মনুংদা কেস ১২৬৩ মণিপুর খক্তদা থেংনখিবা হায়বসি কা-হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইবা ৱাফমনি। মণিপুরগী অপুনবা মীশিং অসি লৈবাক্কী অপুনবা মীশিংগী চাদা ০.৯ খক্তনি। অদুবু দ্রগ শীজিন্নবশিংগী মনুংদা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইবগী মতাংদদি মণিপুরনা চাদা ২৩.১ গী মফম কনখি। ষ্টেট অসিগী ওইনা দ্রগতা লায়চুরবা মীওই চাউরাক্না ৩০,০০০ রোম লৈ হায়না পানরি। হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা তঙ্খায় অমরোমদি শিংলীদা দ্রগ কাপ্পা কাঙবুনি। মালেমদা হিরোইন খ্বায়দগী য়াম্না পুথোকপা গোল্ডেন ট্রাইএঙ্গলদা য়াওবা লৈবাক অহুমগী মনুংদা অমা ওইরিবা ম্যান্মারগা থংননা লৈবা মরম্না মণিপুরদা হিরোইন মরাং কায়না ফঙলি। দ্রগ শীজিন্নবা খক্তনা ঐচ আই ভি শন্দোরকপগী মরু ওইবা মরম নৎতবা তারবসু শিংলীদা দ্রগ কাপ্পশিংনা য়েৎতুম-শিরিঞ্জ পুনবদগী লায়না অসি মথং মথং শন্দোরক্লবগী মরম ওইরি। দ্রগতা লায়চুরবী নুপী কয়া কর্ম্মসিয়ল সেক্স ৱার্করগী শীনফমদা খোঙদারকপনসু অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লে হায়বা য়াই। অমুক্কা হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি ময়াই কাবা দ্রগ শীজিন্নে হায়বগীদমক ময়ুম্না ইনথোকপীরক্লবী নুপী ৪০ রোম ইম্ফাল সীটিগী মরুওইবা লম্বীশিংদা অহিং য়ারেক্তুনা পুন্সি লেল্লি হায়রিবসিনি। দি এম কোলেজগী শুলাব টৌইলেট কমপ্লেক্স, নাগা তুরেলগী খোঙ লম্বী অমসুং মিনুথোং মখাদা মফম হোং-হোংদুনা অহিং য়ারেক্লি হায়রিবা নুপীশিং অদুগী মনুংদা চহী নৌরিবী কয়াসু য়াওই হায়রি।

পুন্সিগী তাঙ্কক অমদা খোঙফম অমা শোয়রুবদগী অরানবা লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লুবনা অৱাফমদা তারবী নুপীশিং অসিবু শোক্ল-শম্নবা য়াদবা কাঙলুপকুম মপুন্সি চুপ্পা খুন্নাইদগী লাপ্পা ইনথোক্তুনা থম্বীবগী মওং অমা উবা ফঙলি। ময়ুম্না ইনথোকপীরকপদগী উচেক-ৱায়াগুম নোংমগী থোকঅ-থোকঅবা মফমদা অহিং য়ারেক্লিবশিং য়াওনা নুপী খুদিংমক য়ুমগী মতিক চাবা মৌ হায়বদু ওইদুনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা নুংঙাইনা পুন্সি লেনমিন্নবা শোয়দনা পাল্লমগনি খল্লি। মতাংনা য়াদদুনা তৌবগী ৱানি, অহাউবা চানিংদবা, নুংঙাইবা পামদবা, ফজবা ফিরোল শেৎনিংদবা, অনৌ-অনৌবা গাড়ী তোংনিংদবা অমসুং নুংঙাইবা য়ুমদা লৈনিংদবা মীওই অমত্তা লৈরমগদবা মান্দে। ঙসি-ঙসিমক মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী ময়ুম্না ইনথোকপীরক্লবী নুপী দ্রগ এদিক্ট কয়া লম্বীগী চিদাইদা, কাচিন কোয়াদা অহিং য়ারেক্লিবসিগী মতাংদা লৈঙাক্না খঙশিন-উশিন্নদনা লৈথোকফম থোক্তে। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংগী মফমদা মান্নবা মীৎয়েং থম্বা মথৌ তাবগুম লৈঙাক্লসু মীচম মীয়ামদা চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংফম থোকই। মপী-মপাগী শক্লোন লৌরিবা লৈঙাক্লোয়শিংগী মফমদদি অফববু ওইরবসু ফত্তববু ওইরবসু লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা হায়বসিনা খ্বায়দগী মরুওইবা থৌদাং ওইফম থোকই। ফৎতে-ঙাওশিন্নে হায়দুনবু ইশামক্না হেক পোকচবা ইচাবু লাপ্পা ইনথোক্তুনা থম্লগা নোংম-নোংমগী লৈখা তাহনখিবদি অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি নীংদে। দ্রগ শীজিন্নবা মীওইশিংবু পুক্লিং থৌগৎসি হায়বা নত্তে। খোঙফম অমা শোয়বদগী পুন্সি-লম্বীদা লম্মাংনরবা মীওইশিংদা পুন্সিগী অনৌবা লম্বী তাকপীবগা লোয়ননা মশক থোক্লা হিংজনবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়বগী ৱানি। দ্রগ লায়চুরবা মীওই খুদিংমক মখোয়না হিংলিবা পুন্সি মহিং অদুদগী নাম্থোরকপা শোয়দনা পাল্লমগনি খল্লি। ঙাক্লৌ অমত্তংবু ফংলবদি পুন্সি মহিং অদুদগী নাম্থোরক্লগে খনবা দ্রগ এদিক্ট কয়াসু লৈরম্বা য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, মশানবু খঙনা নৎত্রগা তৌগে য়াওনবু তৌখ্রবসু দ্রগতা লাইচুরবশিং লায়েংবা হায়বসি লৈঙাক্কীসু থৌদাং অমনি। মখোয়সু লৈবাক অসিগী সিটিজেননি। অফবা ৱাখল্লোন পীরগা দ্রগতগী লাপথোক্লনবা হোৎনবদা খ্বাই তরানসু মতেং পাঙগদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা অহানবা খোঙথাং ওইনা দ্রগ এদিক্টশিংবু লোগী মায়োক্তা লৈবা ক্রিমিনেল অমগুম ফাবী-পুনবিবগী মহুত্তা লায়েংনবগী পাম্বে লৈজদ্রবা অনাবা অমা ওইনা লৌনবগী লো শেম্বা অমসুং ঙাক্লৌ পীবীবা মথৌ তাই হায়জনিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

মোব জষ্টিশ আইনগী ৱাংমদনি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর

মতম কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরদা কনাগুম্বা মরাল লৈবা অমবু চৈরাক পীনবা হোৎনবদা মরাল লৈবা ইমুং অদুগী য়ূম থুগাইদুনা নৎত্রগা য়ূম মৈ থাবা ফাওবা য়াওবা মওংদা কন্না চত্থরকখি। মদুনা চুম্না মরাল লৈবা মী অদুদা চৈরাক পীবদা নত্তনা মরাল লৈজদবা মমা-মপা, মচিন-মনাও, মচা-মশু, নুপী-অঙাং ফাওবা শাথিরবা চৈথেং পীরকই। চৈথেংশিং অদুনা হায়রিবা মীওইশিং অদুগী তেংথাখোল, মিৎলুগী পিরাংশিং অমদি থম্মোয় শোক্লবা মতৌশিংদি কনানসু ইখঙ খঙনদবগুম্না তৌরমই। আইনবু খূৎতা পায়রগা অচুম অরান থিদনা মীয়াম্না হেক্তা খঙহৌদনা য়োমশিন্দুনা মোব জষ্টিশ তৌবা হায়বসি অচুম অরান য়েংদনা চৈরাক পীবনি। মোব জষ্টিশ অসি তশেংনমক্কীদি আইন্না য়াদে হায়নৈ। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদসু ৱায়েন্নরিবনি। ক্রিমিনোলোজিশিংগী মত মতুং ইন্না পুলিসপু থাজদবদগী মীয়াম্না আইন মখূৎনা পায়দুনা শীজিন্নবনি হায়রি। পুলিস অমদি আইনবু শেঙ্গা থুমজা তৌবগী মরম্না অমদি থৌশাদবদগী মতৌনা মীয়াম্না হৌনরুবা তৌদনা থবক অদু চত্থরকপা ওইবনা লৈঙাক অমদি পুলিসশিংনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা শিনবীফম থোকই। লোয়ননা মীয়ামবু এৱ্যার্নেস পীদুনা মোব জষ্টিশ চত্থদনবা ৱাখল তাহনবা মথৌ তাই। মীয়াম্নসু মোব জষ্টিশ চত্থবগী মহুত্তা পুলিসতা তাক্তুনা থিজিন হুমজিলহল্লগা অচুম অরান অদু থিদোকহনবা মথৌ তাই। অসুম্না মরাল লৈবা মীওই অদু ফাহন্দুনা মহাক্কী মথক্তা চপ চাবা চৈরাক পীহল্লবদি মোব জষ্টিশ হায়বসি শোয়দনা হন্থরক্কনি। মোব জষ্টিশ হন্থরক্লবদি মরাল লৈরিবা মীওই অদুদং চৈরাক ফংলগনি লোয়ননা মরাল লৈরবা মীওই অদুগী য়ূম, মমা-মপা, মচিন-মনাও, অঙাং-নুপী পূম্নমক্তসু অৱাবা চৈথেং ফংলরোই। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মীয়ামসু, পুলিসসু অমদি ৱায়েলাঙসু হন্দক্কী লৈঙাক অসি লাকপদগী অমুক্কা হেন্না চেকশিন্না মীয়ামগী ৱাখল খঙনা চত্থবিরক্কনি হায়বসিনা মীয়ামগী অমদি অৱা অনা তারগদবা লাঞ্জদ্রবা কয়াগী য়াইফবা ওইহনগনি।

অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬০

১। মখাগী ৱাহে পূংবা অনী অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
(ক) খামীক-খানাক (খ) লোইন-খমইন।
২। ১৯৫১দা লমচৎ কোল্লবা পুন্সিদা য়ূম্ফম ওইবা অনৌবা মখলগী নোভেল অমা খুমন্থেম ইবোহলনা পুথোক্লকই। নোভেল অদুগী মমিং করি কৌই?
৩। ১৯৮৯দনা মীওইবগী লমচৎকী অশোনবা ফীভম য়েকপা 'অমৃত' কৌবা নোভেল অমা থোক্লকই। অইবদু কনানো?
৪। 'রাধা' উপন্যাস ফোঙদুনা থোইবী দেবী অহানবা নুপী উপন্যাসকার ওইবা ঙমখি। করম্বা চহীদা ফোঙখিবগে?
৫। লাইরিক ওইনা ফোঙবদা 'গ্রেত ৱার' হায়বা অসিনা ঐখোয়গী ইহান হানবা লমকোয় ৱারীনি পানরি। কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ইপোম চাউবা, বাবু, তোম্বী অদুগা কুঞ্জরাজ নীংশিংলুবদা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৬৩

জিতেন নামৈরাকপম

পুন্সি হায়বসিবু করিনো? মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংনি। হেক পোল্লকপদগী শিবা ফাওবসিদা থেংনরিবা জাৎ জাৎকী থৌদোকশিংনা শেন্নকপা পুন্সি খোঙচৎনি। অৱাবা নুংঙাইবা, নোকপা, কপ্পা পূম্নমকসি অদুমক লোইনদুনা লাকখিবমক্তনি। নোকপা হায়বসিমদি মীওইবগী লিচৎতা অদুমক লোইনদুনা লাক্লবনি। নোকপা পামদবা মীওইবু কনা লৈবগে? কপকদবগী শরুকপুদি নোকপনা হেন্না ফত্তব্রা? মরম অসিনা ওইরম্বা তাই ইংলিস লোন্দসু নোকপগী মতাংদা পাউরৌ কয়া অমা লৈরম্মী। লাফিংদি য়াম্না কা হেন্না নোকথোক্কনি। স্মাইল কোজ নথিং...। 'অদুগা অমুকসু 'লাফটর ইজ দ বেষ্ট মেদিসিন' - নোকপা খুদিংগী মীওইবগী পুন্সিসি মিনিট ৫/৫ শাংদোকহল্লি অসুম্নসু হায়বীরম্মী। নোকপা হায়রগা 'ইপোম' গী চাউবা, বাবু, ময়াং ইম্ফাল তোম্বীবু নীংশিংহল্লি। চাউবা, বাবুগী য়ূম অসি অইবগী লৈকায়দগী ইরাপ লাপত্রে। কোঞ্জেং লৈকায়দনি। ইপোম চাউবা, বাবুগী য়ূম অসিসু মিটর ১০০ রোম মঙাই লাপ্পরবদা, অদুমক ইনক নক্লরে। লৈখিদ্রবা মমল য়ামখ্রবা ইপোমলোই অনী অসি অইবগা অদুমক থেংনজে। ইপোমগী চেবাউ পীখি, অদুমক লাকপীখি। ঐখোয়গী লৈকায়দা ইপোম মশীং খঙদনা শান্নবিখি। মীয়াম পূম্নমক পুক্লি পায়না নোকখি। মশক হেক য়েংবদা নোক্লিংবা ফাওবা মালোম/নিংঙোম্বম লোমদগী কাকা/ পাবুং কুঞ্জরাজসু য়াওশিল্লকখি। কাকা কুঞ্জরাজসি ঙা মচা-মচা য়োনবা চৎলমই। প্লাষ্টিক্কী খাউদা মদুসু প্লাষ্টিক্কী মবুক চোনবিদুনি। সাইকলগী ফ্রেমদা য়ান্দুনা লাকখি। মদুদা ওক্সিজেন কামশিল্লগা, হাঞ্জিল্লগা ঙা মচা মচা পুখ্রিদা, ফার্মদা থাদনবা ঙাদু য়োনবা চৎলমখি কাকা কুঞ্জরাজদু। হৌজিক্তি মশকসু উবা ফংখিদ্রে। করম পাল্লল্লিগবা? তম্বা ঙমদে মীওই পুন্সি, নোক্লিংলোই কাকা কুঞ্জরাজ চহী চাম্নগী মথক্তা পুন্সিবা ওইসনু হায়না নচানা বর পীজরি।

অদুদগী অমুক কমদৌবা। মতম অমগী ইপোমলোই য়োৎশবী মখোং অহুম হায়রগসু খঙনবা চাউবা, বাবু, ময়াং ইম্ফাল তোম্বী অদুম নীংশিংদুনতা লৈখ্রে। অহুম্মক তাইবঙপান থাদোকখ্রে। অমত্তসু লৈহৌদ্রে। সুপ্নতগী মমি ওইনা ফোটোগ্রাফ ওইনা, ফিল্ম ওইনা লৈহৌবা নত্তনা। চাউবা, বাবুগী ৱারীদি ইখঙদা খঙলে মরমদি মখোয়গা অইবগী য়ূমগা ইরাপ লাপ্পবা নৎত্রে। ইপোম বাবুগীদি লাইসু লাৎচবনি। উমং লাই হায়গদ্রা, লাই হরাউবসি চহী খুদিংগী পাঙথোকপনি। অদুবু মহাক লৈখিদ্রবা মতুংদগীদি লাই হরাউবগী পেনা মখোল তাখিদ্রে। লাউদ স্পিকরদা হৌনা হৌনা থাদোক্লম্বা জগোয় শাবগী ধোন, সাইদ দ্রম খৎপগী মখোল, লাইবৌ চোঙবগী মখোল, ... হৈরাংখোইনিদা চানবা হৈনিদা, মমাঙ লৈকায় থম্বাল শাৎলেগী শৈহেক শৈদা করিমতা তাবা ফংখিদ্রে। অদুবু মরকসিদা খ্বাইদগী হেন্না নকশিল্লক্লিবা ৱাফমনা ইপোম ময়াং ইম্ফাল তোম্বীগী মতাং অসিনি। ময়াম্না হেন্না খঙবিরবদুমঙাই মহাক্কী মচিন অসি চুজাক কবোক পোকপদৌনা প্রোক হেক্তা পোল্লকপা, ঙাওথরকপা অসিনি। কদাইদগী ৱানোনে! ময়াং ইম্ফাল তোম্বীগী মতৌ তম্বা ঙম্বা মীওই কনাসু থোরক্লরোই হায়নীংই। লাইরিক লাইশু কা হেন্না হৈবসু নত্তে। অদুবু মহাক্না মতাং চানা চানা অংগ্রেজী মতেক মতেক থেৎচিল্লকপদু অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওখি, য়াম্নসু নোকখি। অইবগা থেংনজখিবা অদু নোংমা নুমিৎ অমনি। ঐখোয় লৈকায়দা ইপোম তৌহল্লসি অচংবা পৈশা পুথোক্লরসি হায়দুনা ঐখোয়গী মরুপশিং চাক চান্নবা নুমিৎ অমদা লেপ্পরে। তৌদবা য়াদে তৌগদবনি হায়বসি ঐখোয়গী মরুপশিংগী ৱারেপনি। কুমজা, তারিখ কয়ানো হায়বদুমদি হায়বা ঙমদ্রে। তৌবতবু কুমজা ১৯৯৭/৯৮গী অদুৱাই নৎত্রগা ২০০০ য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙনি। চাউবা, বাবুদি হায়রুরে, য়াবিরে। অদুগা পাবুং চাউবনা হায়রকই - চৎলো, তোম্বীদু ঐনা হায়রকপনি হায়য়ু মা য়াওদ্রবদি য়ারোই থুরো চৎলু।' মদুদগী ঐসি ইমান্নবা নাওরেমগী প্রিয়োকুমারগা লোয়ননা মহাক্কী হিগোক মচুগী এন ভিদা ময়াং ইম্ফাল তম্না কাপথবনি। ময়াং ইম্ফাল তোম্বীগী ময়ূম ঐদি খঙবা নত্তে। অদুবু পাবুং চাউবনা হায়রকপা ৱাদু ঐ কাউখিদে- 'থির-থিরগা হংউ, হংঙগা থিরুচো, তোম্বী অদুম ফংগনি' সিনি। অদুদগীদি ঐসু হংঙ-হংঙগা থির-থিরগা অদুম চৎলেদনা। ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মমাঙ পাঙনা হাইগৎখ্রিবা লম্বী অদোমদা য়ৌরে। অদুগা হংঙুবদা তাক্লকপগী মতুং ইন্না উগী থোং অমা লাল্লে। হংঙে, থিরে। অদুগা ইকুই কুইদনা ফংজরে ময়াং ইম্ফাল তোম্বী। লৈরং তানা শাবা ঈ-গী য়ূম অমগী মাঙ্গোলদা ফমদুনা লৈরম্মী পাবুং অদু। উনরে, ঙাঙনরে, হায়বা য়াবা হায়জরে। মচাশিংনদি ইপোম কুম্মৈ তৌবা চৎলুরনু, ডোক্তরনা ফিভম ফৎত্রে হায়রকপনি হায়না কয়ারক থিংলগসু পাবুং অদুদি চৎকনি হায়রে। (পাবুং অসি দাইবেটিক পেসেন্টনি)। নম্ফুওই করিওই ঐখোয় অহুম নমশিল্লগা ইম্ফাল তান্না থৌগৎলকই। পাবুংগীসু মহাক্কী ইপোম লিলাদা শেৎকদবা ইনগদবা পোৎলমশিংদি খাউ মচা অমদা হাপ্লগা অদুমক লাকমিন্নখি। কয়া য়াম্না পেল্লি, নুংঙাই নুমিৎ অদু! ঐখোয়গী লৈকায়গী পাকখ্রবা লম্পাক অদু মীনা পীক থনবনি। অহল অহুমদু অদুমক থোরকখি। ফৈজোম, পুময়াৎ শেৎলগা, অমা ইল্লগা, য়াম্না লেম্না থোরকখি। ময়াম পূম্নমক পুক্লি পায়বমখৈ নোকখি। নুংঙাইখি। অদুগা ইথা থাজদনা পাবুং কুঞ্জরাজসু থোরকখি। কুঞ্জরাজ থোরক্লগদি মহাক্না ৱা ঙাঙদ্রিঙৈদা মশক্তুদং উবদা ফর-ফর ওনবমখৈ অদুমক নোক্লে। কয়াদা মগুণ লৈখ্রবা অলহশিংনো? হৌজিক্তি পাবুং কুঞ্জরাজ নত্তনা কনাসু লৈহৌদ্রে। পূম্নমক তাইবঙ শেম্বা মপূগী শিন্থা লোইরদুনা চৎখ্রে, অশিবগী লৈবাক্তা। অহলশিংনা হৌদোকপীরম্বা ইপোম হৌজিক্তি ময়াই চমখ্রে। মণিপুরদি নোকপগী মহুত্তা কপ্পতনা লাঙ্গৌই চনশিল্লক্লি। করি থোক্লগবা! অমুক্তং ওইরবসু পেন্না নোক্লিংলকই।

ইম্ফাল ইভনিং

খঙদোকমিন্নসি অমুক্তং : ৪১০

হাওবম প্রিয়োকুমার

হৌজিক্তগী চহী ৩০/৪০ মুক্কী মমাঙদা লৈরম্বা খ্বাইরম্ব দ কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেল, পাওনা কৈথেলনচিংবগী নুমিদাংগী মশক্কা হৌজিক্কী মশক্কা য়েংনরুবদা খেন্নবনা পীক থল্লে। মতমদুদা ইলেক্ট্রিক্কী ফীভমসু হৌজিক্কুম্না তৌরম্বা নত্তে। অয়াম্বা মতমদা লোদ সেদিংনা পরেং লেংদুনা লৈরমখিবনি। অদুবু নুমিদাংগী পুং ৭/৮দগী হৌবা সেনিমা ছো লোয়রগা থোক্লরকপদা কৈথেলগী শক্তমদা কা হেন্না ময়েং তাথবা হায়বদো ওইরমদে। মসিবু হৌজিক্কী হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংগী ৱাখলনা লাম্বদা ৱানা থোক্লগনি। মতমগী মতুং ইন্না লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম তপ্পা তপ্পা শোকচিল্লকপা হৌরকখি। নুমিৎ হেক তাখিবগা কৈথেলশিং অসি খুন্তাক লানশিবা হায়বদু ওইদুনা লাকখি। কুমজা ১৯৭৯দগীদি মণিপুর পূম্বা আর্ম ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱার) এক্ট ১৯৫৭ থমজিল্লকখি। লোয়ননা নুমিদাং পুং ৫দগী মথং অয়ূক পুং ৫ ফাওবা শাংলবা মতম কার্ফিয়ু থমজিনখিবদগী কৈথেলশিংগী মশক্তা হেন্না চাউনা অকায়বা ওইহনখি। অদুবু মতমদুগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমগা হৌজিক্কী লো এন্দ ওর্দরগা য়েংনরুবদা হৌজিক্লা ফগৎলে খঙনা ফগৎলক্লি। অদুবু শাংলবা চহী ৩০/৪০ মুকসিদা কোক কোক্তা চঙদুনা মরা তাদুনা লৈখ্রবা ৱাখল্লোন্দুগী পংকোম কোমথোকপা ঙম্নদবগুম্বগী মমি তারি। অদুনা হৌজিকসু হান্নগুম নুমিৎ হেক তাখিবগা কৈথেলশিং অসি মথৱায় হাপ্পা ঙমদ্রি। মসিনা, থা অমদা পোৎ য়োনবদা ফংগদবা কান্নবদু থা অমা মখায় চঙহন্দুনা লাক্লি। লোয়ননা কৈথেলশিংসিদা থা অমদা শু-নোমদুনা তানগদবা শেল অদুসু থা অমা মখায় চঙনা তাল্লি। মসিনা মণিপুরগী শেন্মীৎলোন্দা অহোংবা লাকহন্দুনা চাউনা মাঙজবা ওইহল্লি।

শাঙখ্রবা চহী ৩০/৪০ সিদা খুন্নাইসিগী পুন্সি মহিংসু ওন্থোকপা মহিংনি। নুমিৎ হেক তাখিবগা য়ূম য়ূমদা চঙনরগা তৌফম খঙদবমখৈ শুংজিন-শুংজিন্দুনা লৈনখিবনি। নুমিৎ চূপ্পা থবক ৱানা শুরুরগা, কারুরগা অশঙবা মতম নুমিদাংৱাইরমদা থোক্তুনা, কোয়থোক্তুনা লৈনীংবা লৈদুনা, চানীংবা চাদুনা ঙাইহাক পোত্থাবা নুংঙাইথোকপা হায়বদুগী মহাও খঙদ-খঙদনা লাক্লখিবনি। মসিনা হায়রিবা শাংলবা মতম অসি অমত্তা ঙায়রবা ইম্ফাল সিটি অসি তঙ্খায় শিবগা পাঙ্খক ওইদুনা লাকখি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা লো এন্দ ওর্দর অমদি ইলেক্ট্রিক্কী ফীভম য়েংলুরগা কৈথেলশিং অসিদা লৈবা-য়োনবা, শুবা-নোম্বগী মতম খরা শাংথরবদি খুদিংমক্তা কান্নবা পীগদৌরিবনি, লোয়ননা ত্রাফিক জাম ওইবগী চাংসু খঙহন-হন্থগনি। মসিগী অওনবসি পুরক্লবগী পান্দমদা ওইগনি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা লুচিংবা লৈঙাক্না 'ইম্ফাল ইভনিং' হায়না মিংথোন্দুনা ওক্টোবর ২, ২০১৭তগী মমাঙ থংবা কংলা পার্ক লম্বী পরিংদা হৌদোকখি।

অসিগুম্বা মখলগী মণিপুর ৱাংমগী কৈথেল অমা লৌখৎলগা য়েংবা য়াই - গোৱাগী অরপোরা হায়বা মফমসিদা 'অরপোরা সটর্দে নাইথ বজার' হায়না মিংথোল্লগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তগী নোংঙাল্লমদাই পুং ২/৩ ফাওবা চৈথে। করিগুম্বা মতমদা পুং ৪/৫ ফাওবা চত্থবা য়াওদবসু নত্তে। তৌবতবু মখোয়গীসিনা সিজন নাইনা পাঙথোকই। মপূং ওইনা গোৱাদা কোয়বদা নুংঙাইবা মতমসি নবেম্বরদগী হৌরগা মার্চ/এপ্রিল ফাওবনি। অদুনা নবেম্বর থাদগী এপ্রিল ফাওবা থাংজ খুদিংগী হায়রিবা কৈথেলসি হাংই। লমকোয়বগী সিজন ওইবনিনা কৈথেল অসি চাউনা মায় পাক্লা চৈথে। ইন্দিয়াদা মসিগী কৈথেল অসি মমিং লৈনা ফাওরিবনি। চাউরাক্না কৈথেলসিদা তিল্লিবা মী ১০০দা ৭০/৮০ মুক্তি লমকোয়মীনি। মখোয়গীসিদসু চান-থক্লবা ষ্টোলনা অয়াম্বনি। অদুগা ষ্টোল খরদনা লমদমদুগী খূৎশা হৈবগী পোত্থোকসু মরাং কায়না ফংহল্লি। মসিদা ফংলিবা চান-থক্লবা অমদি অতৈ পোৎলমশিংগী মমলসু পীফম থোকপা মমলদগী হেনগৎনা য়োন্নদে। য়াম্না নুংঙাইহল্লিবদি ঈশৈ-নোংমাই, জগোয়, হরাউ-কুম্মৈগী মখল-মথেল কয়া হাপচিন্দুনা কৈথেলদু হেন্না মায়ই কাহল্লি, নুংঙাইহল্লি। ঐখোয়দগী মাঙ থাখ্রবা কৈথেলসিদগী ঐখোয়না চানগদবা, চুনগদবা কয়া লৌথোক্তুনা শেমদোক-শাদোক্তুনা ঐখোয়গীসু মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনফম থোকই।

ঐখোয়গী ইম্ফাল ইভনিং কৈথেল থাংজ অমসুং নোংমাইজিং খুদিংগী নুমিদাং পুং ৭তগী ১০ ফাওবা চৈথে। কৈথেলসিদা থমগদৌরিবা ষ্টোল পূন্না ১১০নি। মসিগী মনুংদা ষ্টোল ৮০দি অচা অথক্তগী ওইবা ষ্টোলনি। অদুগা লেমহৌরিবা জেনরেল ষ্টোলশিংদনা মখল কয়াগী পোৎলম ফংহল্লি। অচা-অথক্কী ষ্টোলশিংদা ফংলিবা পোৎলম খুদিংমক ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি ষ্টেট ফুদ সেফটি ওথোরিটি অনীনা য়েংশিল্লগা মখোয়না য়ারবা পোৎলমদমক য়োনগদবনি হায়না হায়রিবসিগী মমি থোয়না তাবা উদবগুম তৌই। মসিদা মরী লৈনবনা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। অদুগা জেনরেল ষ্টোলদা ফংলিবা পোৎলমশিং পেন্নীংঙাই ওইদ্রি। খুদিংমক মীৎয়েং চঙবগী মথৌ তারি। অমনা কংলা পার্ক লম্বী পরিংগী মমাঙ থংবা লম্বীগী মনীং থংবা শরুক্তা ষ্টোল খুদিংমক হাংহল্লি। মসিগী হেক মনীং থংবা লম্বী পরিং অসিদদি এঞ্জিন পানবা গাড়ীশিংনা লেপ্পা লৈতনা চৎলি। মদুদগী হৌরকপা উফুল-ৱাইফুল, মীৎনা উবা ফংদ্রবা মাইক্রো পার্টিকল কয়ানা হেক থংননা অচা-অথক য়োল্লিবা অমদি চারিবশিংদা পাইশিল্লক্তুনা, চঙশিল্লক্তুনা মখোয়গী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইহন্নবগী মচাক ওইখিবসু য়াই। অদুনা ষ্টোলশিং অসি হৌজিক হাংনরিবা লম্বী পরিংগী মমাঙ থংবা শরুক্তা হোংগৎখিবনা ফরোইদ্রা? মসিনা মনীং থংবা লম্বীদা চেল্লিবা গাড়ীশিংদগী লাপথোকপা য়াবা লাপথোক্লি।

ষ্টোলশিংসি মখল অনী থোক্লা খায়দোক্লি। ষ্টেন্দর্দ ষ্টোল ফুট ১০ পাকপা, ১০ শাঙবা অমদি প্রেমিয়ম ষ্টোল ফুট ১০ পাকপা ফুট ২০ শাঙবা। ষ্টোল হাংবগীদমক থম্নরিবা সিক্যুরিটি দিপোজিৎতুদি হন্দোক্কদবা লৈবনা শেল য়াম্না য়ামদবরোমদা থোয়না খন্নরুদবা য়াই হায়না লৌই। অদুগা নোংমগী ষ্টোল অমনা হুনগদৌরিবা শেনফম্না ষ্টেন্দর্দকী লুপা ৫০০/- অদুগা প্রেমিয়মগীনা লুপা ১,০০০/-নি। চান-থক্লবগী হাংলিবা ষ্টোলশিংদি প্রেমিয়ম নত্তনদি য়ারোইদবনা লোয়না প্রেমিয়ম ষ্টোল ওইনা লৌনরি। পুং ৭তগী ১০ ফাওবা, শুপ্নগী পুং ৩ অসিদা চান-থক্লবা য়োল্লিবা ষ্টোল অমনা লৈঙাক্তা পীনবা অহানবদা য়ামদ্রবদা লুপা ১,০০০ (লিশীং অমা) দি তান্দবা য়াদ্রি। মতুংদা লেম্লকপা শেনফমদুনা মখোয়গী শেন্দোং ওইগদৌরিবনি। মসি ওইনবা শিন লাংলিবা মীওইশিং, ত্রান্সপোর্টেসন, মেটরিয়েলশিং অসিনচিংবগী খায়দোকখ্রবা কয়া য়াম্নবু লেমহৌবা ঙমগদৌরিবা? জেনরেল ষ্টোলশিংদসু অদুমঙাই চপ মান্নরিবনি। অদুনা নোংমগী লুপা ১,০০০/- অমদি লুপা ৫০০/- পীবা ঙম্নবা চান-থক্লবা অমদি পোৎ চৈগী মমল ৱাংনা চান্নদবা মমলদা য়োল্লকপা হায়বসিদি হৌনশানি। অদুনা অকোনবদা লাক্লিবশিংনা ষ্টোললোমদা মায় ওনশিন্নখিদবসু য়াই; ইম্ফাল ইভনিংগী ৱাহন্থোক মাঙখিবসু য়াই। অদুনা ষ্টোলশিংদগী লৌরিবা নোংমগী লুপা লিশীং অমা অমদি লুপা চামঙা অসিগী মহুত্তা মমিংদগী ওইনা লৌহন্নীংই। মসিদগী লাকপা শেনফম্না লৈঙাক্তা কয়া য়াম্নবু কানবা পীবা ঙমগদৌরিবগে? লৈঙাক্কীদি নো লোষ্ট নো প্রোফিটকী সিষ্টেমদা চত্থফম থোক্তব্রা? হৌজিক পুং ৫দা নুমিৎ তারবনিনা পুং ৭তগী পুং ১০ ফাওবা হাংলিবসিগী মহুত্তা পুং ৬তগী ৯ ফাওববু ওইরো নৎত্রগসু খরা ঙনখৎনবা হোৎনহন্নীংই। অমনা হৌজিকপুদি ঙন্না নুমিৎ তারবনিনা কৈথেলসু ঙন্না ঙন্না লোইশিন্নরে। অদুনা ইম্ফাল ইভনিংগী য়েংলগা ত্রাফিক্কী ঈচেলদা শেমদোক্লিবা অসিদা থোয়না মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লহন্দ্রি। অদুবু ইম্ফাল ইভনিং হৌগৎলকপা অদুৱাইদদি লম্বী কোক থিংজিল্লগা মখোয় মখোয়না থোকপা মরাইনা চৎচখিনি হায়বগী ৱাখল্লোন মানবগুম্বনা ইম্ফাল ময়োলগী লম্বী পূম্নমক ত্রাফিক জাম ওইহনখিবনি। তুংগীদমক য়েংলগা মসিৱাইদা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। লোয়ননা শেমদোক্লিবা ত্রাফিক্কী ঈচেল অসিনা মরম ওইদুনা পেসেঞ্জর গাড়ীগী থাফম খরদা মফম মরাং খঙহন্দবনা মীওই কয়াদা অৱা মায়োক্লহল্লিবা অসিবু কোকহন্নবা থবকসু পায়খৎহন্নীংই। অদুগা ইম্ফাল ইভনিংনা কৈথেলশিংবু মমাঙঙৈগুম থেংথনা লৈহনবা ঙমগনি হায়বদুমদি খরা লাপ্পা লৈখ্রে। থেংথনা লৈহনসি হায়রগদি থঙ্গাল কৈথেল পরিং অমদি পাওনা কৈথেল পরিংদা ওইনা ইম্ফাল ইভনিং পাঙথোকহল্লবদি অমনা অমগী মপাল তাংনদুনা ওইখিবসু য়াই।